হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জন্যুৱারী ০৪, ২০২০, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ২৭৫শুবা মশীং

## সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল্স ইন্দেক্স

### লায়রবা কোকহনবদা মণিপুরনা মীকোক থোংবা ঙমদ্রিবসি লাইবক থীবনি

মীপুম খুদিংমক নুংঙাইনা হিংনিংবা, অহাঊবা চানিংবা, ফজবা ফিরোল শেংনিংবা, নুংঙাইবা যুমদা লৈনিংবা অমসুং অনৌ-অনৌবা গাড়ী থৌনিংবা হায়বসি হৌনাগনি। ৱাখল্লোন অসিদা যুম্ফম ওইরগা মীওইবা খুদিংমক তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লোনবগী চাওখৎনবগী লন্থীদা খোঙ থাংজিনরকপনি হায়বা য়াই। মমা-মপা ওইবশিংনা মখোয়-মখোয়গী মচাশিংবু অহাউবা পীজদুনা, ফজবা ফিরোল শেংহল্লগা নুংঙাই-য়াইফনা থম্বগা লোয়নবা মতীক চাবা মীশক অমমম্ ওইহনিংবগুম লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রেসিদেন্ট নৎত্রগা চিফ মিনিষ্টরসু মরমদসু চাওখৎহন্দুনা মীচম-মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা শোয়দনা পাল্লমগনি খল্লি। লৈবাক অমা চাওখৎলক্তুনা মীচম-মীয়ামগী পুন্সি-মহিং ফগৎলকপা উবদা মপী-মপা ওইরিবা লুচিংবশিংনা চাউখোকচবা পোল্লিবনি। মালেমদা খ্বাইদগী ফৎতবা মীশক্তি হায়না লৌনরিবা দিক্টেটরশিং ফাওবা অতোপ্পা লৈবাক্কী মাঙনবা শীল্লবসু মরৈবাক-মরমদসু চাওখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎনরিবনি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু মীওইবনা নীংবনা অমা অদুগা লাইবক্তা তঙ্গলনা অমা হায়নবগুম পুন্সি চুম্না ফনা কয়া হোৎনরবসু নুংঙাইবা মশক খঙদনা পুন্সি লোমখিবা মীওই কয়াসু লৈতবা নত্তে। অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ৱাফম থাপ্পা থমখ্রগে ইন্দিয়াদা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌমীশিংগী শেঙ্কেক শরুক অনী হেনগৎহনবা অমদি মীচম-মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি তরাপ্পা ওকফম থোকই। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল্স (এস দি জি)গী মখাদা ষ্টেট খুদিংমক চাওখৎহন্নবা হোৎনরক্লিবসিসু শীংথানিংঙাই ওই খুদনা লৌবা য়াই। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম শঙ্গনবগী পান্দমদা নিতি আয়োগনা ফোঙথবা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল্স ইন্দেক্স ২০১৯-২০২০গী ওভরওল রেঙ্কিংদা মণিপুরনা ১৩শুবদা লৈরে হায়রি। ষ্টেট ময়ামগী মরক্তা কেরলানা পোইন্ট ৭০ ফংদুনা মকোক ইথং থংনা লৈরগা মণিপুরনা পোইন্ট ৬০ ফংদুনা ১৩শুবদা লৈখিবনি। বিহারনা শুপ্পগী পোইন্ট ৫০ ফংদুনা ওভরওল রেঙ্কিংগী মমৈ ইথং থংনা লৈরে হায়রি। শীংথানিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল্স ইন্দেক্সতা মণিপুরনা "লাইফ ওন লেন্দ"গী কেটগরিদা মীকোক থোংবা ঙল্লক্লিবসিনি। অদুবু "দিসেন্ট ৱর্ক এন্দ ইকনমিক গ্রোথ"কী কেটগরিদদি মণিপুরনা শুপ্পগী পোইন্ট ২৭ খক ফংদুনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরে হায়রি। কেটগরি অসিদা টেলঙ্গনানা পোইন্ট ৮২ ফংদুনা মকোক্তা, অদুগা অন্ধ্র প্রদেশনা পোইন্ট ৭৮ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি।

লায়রবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদসু মণিপুরগী ফীভম অদুক হাক্কা ফগৎহনবা ঙমদ্রি। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল- ১ (নো পোভর্টি)গী কেটগরিদা মণিপুরনা শুপ্পগী পোইন্ট ৪২ ফংদুনা অপূনবা ষ্টেট ২৮গী মনুংদা ২৩ শুবদা লৈরি। কেটগরি অসিদা টামিল নাদুনা মকোক্তা লৈরগা ঝরখন্দনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-২ (জিরো হঙ্গর)গী কেটগরিদা গোৱানা অহানবা, মিজোরাম্না অনীশুবা, কেরলানা অহুমশুবা অমসুং নাগালন্দনা মরিশুবদা লৈরগা মণিপুরনা মঙাশুবদা লৈরি। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-৩ (গুদ হেল্থ এন্দ ৱেল বিয়িং)গী কেটগরিদা কেরলানা মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা ১২শুবদা লৈরি। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল- ৪ (ক্বালিটি এদ্যুকেসন)গী কেটগরিদা হিমাচল প্রদেশনা অহানবা, কেরলানা অনীশুবা অমসুং গোৱানা অহুমশুবদা লৈরগা মণিপুরনা মরিশুবদা লৈরে। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-৫ (জেন্দর ইক্বেলিটি)গী কেটগরিদা হিমাচল প্রদেশনা মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা ২৩শুবদা লৈরি। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-৬ (ক্লিন ৱাটর এন্দ সেনিটেসন)গী কেটগরিদা অন্ধ্র প্রদেশনা মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা ১১শুবদা লৈরে। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-৭ (এফোর্দেবল এন্দ ক্লিন এনর্জি)গী কেটগরিদা সিকিমনা অহানবা অমসুং মণিপুরনা ১৪শুবদা লৈরে। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-৯ (ইন্দষ্ট্রি ইনোভেসন এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর)গী কেটগরিদা গুজরাতনা অহানবা পোজিসনদা লৈরগা মণিপুরনা ২০শুবদা লৈরি। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল-১০ (রিদ্যুস ইনইক্বেলিটিজ)গী কেটগরিদদি টেলঙ্গনানা মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা অনীশুবদা লৈবা ঙল্লে। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল- ১১ (সষ্টেনেবল সিটিজ এন্দ কম্যুনিটিজ)দা গোৱানা অহানবা অমসুং মরিপুরনা ২৬শুবদা লৈরে। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল- ১২ (সষ্টেনেবল কঞ্জ্যুমসন এন্দ প্রদক্সন)দা নাগালেন্দনা মকোক্তা, ত্রিপুরানা অনীশুবদা অমসুং মণিপুরনা অহুমশুবদা লৈরে। সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল- ১৩ (ক্লাইমেট এক্সন)গী কেটগরিদা কর্নাটকানা মকোক্তা অমসুং মণিপুরনা ২১শুবদা লৈরি। য়াম্না মরু ওইবা কেটগরিনি হায়না লৌনরিবা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল- ১৬ (পিছ, জষ্টিস এন্দ ষ্ট্রোং ইন্সটিট্যুসন)গী কেটগরিদসু মণিপুরনা মফম য়াম্না হাইথরগা ১৮শুবদা লৈরি। কেটগরি অসিদা অন্ধ্র প্রদেশনা মকোক ইথং থংনা লৈরে। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পীবা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলসকী কেটগরি ১৭কী মনুংদা নিতি আয়োগনা কেটগরি ১৬তা য়ূম্ফম ওইরগা মমাঙ চহীদগী সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস ইন্দেক্স ফোঙলকখিবদা মণিপুরনা কেটগরি অয়াম্বদা ফীভম ইফ-ফগৎপা ঙমদ্রিবসি লাইবক থীবনি। অদুবু পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি কুমজা ২০১৭-১৮গী কৃষি কর্মন এৱার্দ মণিপুরনা ফংলকখিবসিনি। কর্নাটকাগী টুমাকুরুদা লৈবা গভর্ণমেন্ট প্রি-য়ুনিভর্সিটি কোলেজদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা "কৃষি কর্মন এৱার্দ ২০১৭-১৮" খূৎশিন্নরকখিবনি। কুমজা ২০১৭-১৮গী ওইনা "ওভরওল ফুদ গ্রেন প্রদক্সন কেটগরি-৩"গীদমক মণিপুরনা ফংলকখিবা এৱার্দ অদুদা ট্রোফি অমা, সাইটেসন অমা অমসুং শেল ওইনা লুপা ক্রোর ৫গী শেনফম য়াওরি। ফৌ অমদি চীঞ্জাক খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপগীদমক ষ্টেট অসিগী লৌমী অনীদসু য়ুনিয়ন এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী "কৃষি কর্মন এৱার্দ ফোর প্রোগ্রেসিভ ফার্মর" খূৎশিন্নরকখিবনি। কুমজা ২০১৭-১৮দা মণিপুরনা লম হেক্টর অমদা ফৌ কিলোগ্রাম ২৫৭০ অমসুং হৱাই-চেঙৱাইনচিংবা চীঞ্জাক কিলোগ্রাম ৯৬০ পুথোক্তুনা পোত্থোক খ্বাইদগী পুথোকপা ষ্টেট ওইবা ঙমখি। লৈবাক অপূনবগী ওইনা চাংচৎতা লম হেক্টর ১দা ফৌ কিলোগ্রাম ২৪৭৫ অমসুং হৱাই-চেঙৱাই কিলোগ্রাম ৭৭৯ পুথোকখিবনি। কুমশিগী ওইনদি নোংজুগী ফীভমদা চাউনা অহোংবা লাকখিবনা পোত্থোক পুথোকপগী চাং কা হেন্না হন্থরক্লে। মসিগীসু মথক্তা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস ইন্দেক্স ২০১৯-২০দা মণিপুরনা হীরম অয়াম্বদা মীকোক থোংবা ঙমদ্রিবসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।

(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু।

(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো?

২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্না 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কূমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তুনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা ষ্টেরিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো?

৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "অনৌবা যুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সেবানি সেবানি...

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



ঐখোয় মীওইবনা নিবা-নিবা হায়দনা নিনরিবা ময়াম অসি চাওরাক্লা শুপচিল্লগা মশক অনীনি, লৈজদবদগী হিংন-হিংনবা নিজবা অমসুং ইনাক খুন্নবা ইকায়বা খঙদনা নিবা। ইনাক খুন্নবগী নিবা অসিমদি নিবা হায়বমক য়াদ্রে মুনবা হায়বনবু চানৈ খল্লি। মসিমা মীম্নসু চৈরাক পীবা ঙমদে। অপীবগা অরৌবগা অরৌবনা চাউবগী মতৌনি।

শঙ্গাইদগী হেক গাড়ী ষ্টার্ট তৌদুনা গ্রোং-গ্রোং থৌদোকখিবগা লম্বী অচৌবা হেক য়ৌবগা গাড়ী খাম্বগী থবক মথং-মথং অদুম হৌরক্লনি। অঙম অঙম্বা মওংদা। মীনা তৌরিবদু অদুম য়াবা তাবনি। মখূৎ ময়াম অদু ৱাংনা ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা হাইর-হাইরদুনা গাড়ী খাল্লক্লনি উ মরুমদগী, মীগী লৈরক মচিন্দগী। লাইসেন্স য়াওব্রা য়াওদব্রা, নম্বর থাব্রা থাদব্রা। নম্বর প্লেট নপ্পরা নপতব্রা অসিনচিংবগী। খামদা লাক্তবসু য়াবা পোৎ নত্তে লুখ্রবা। লাইসেন্স য়াওরসু য়াওদ্রসু ইয়া য়াই, য়াম্নমুক পুকচেল চাউরিবনা ৱারী খরা অদুক চম্না শানরগা অৱা অনা খঙবীদুনা অদুম য়াবিরে। হন্দসেক মচা অমা তৌনরগসু অদুম য়াবিরে। পূকচেল চাওবা অসি পূকচেল চাওবশিংতনা ঙম্বা পোৎনি। কোমথোক কোমশিন অদুম লৈরি মসি তাইবঙপানবগী মবুকচেল চাউবশিংতনা ঙম্বা থবকনি য়াই থাগৎচরি। মসিনি ইরমদম অসিগী ওইবা য়াম্না চাওথোকচনীংঙাই ওইবা চৎনবী অমা হায়বা তারবদি। লমদম অসিদা লৈজরুবগী তোঙানবা লিরবা মহাও অমা হায়বা তাই।

অমরোমদসুমুক, গাড়ী থৌবশিংসিনা লাইসেন্স ফজ-ফজনা পায়নরবা, নম্বর ফজ-ফজনা মাগী মাগী গাড়ীদুদা থানরবা, টেক্স ফজ-ফজনা থিনরবা গাড়ী খাম্মগা কনা অমত্তনা লম্বী লমখাংদা হেন্দসেক তৌবীনবা লৈররোই। হেন্দসেক হায়বা অসিসু অৱাবা মখল অমনি অদুনদি চে চাং শফাত্তনা গাড়ী থৌরিবা অসিসু মী খরগীদি হরাওজফমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

খোঙনাং মখোঙদা, লম্বীগী চুথেক্তা, থোং ময়াদা, অসিনচিংবা, উকু মনাক্তা, স্কুল মরুমদা, নুংথিল তাল্লক্তা গাড়ী খাম্মুবগী লৈঙাক্লা চৈরাক পীবসু হেক হেক য়াওরকপগী পাউ তানখ্রে। মসিগুম্বা পাউ পাক্লা তারমদে মসিসু অওনবা অমনি। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমগা মরী লৈনদনা ঐনা চাক য়াম্না লাম্না হল্লকপদা গাড়ী খাল্লকপদা ঐনা তাইবঙ শেম্বীবা মপু মাবু ৱারৌজৈ। করিগুম্বদা চে চাং লোইনমক শুনা য়াওরসু য়াম্না থম্মোয়গা শেংনা ইয়াম্বা চাক লাম্মে লুপা ২০দা পীরম্মু হায়না হেক্তা হায়রকপা নুংশিরবা ইচিন ইনাও কয়াসু অদুমক ময়াওরি। মদুগীদি থাগৎচরি। ঐখোয় চাক লাম্বা মশেলনি। নুংশিরবা ইচিল ইনাও ময়াম অসিগী মরক্তসু অমুক চাক লামশিন্নবা য়াওরক্লগদি মতম অমগী ইকায়খুম্নজরবা সার ইবোবীগী লোন্দাদা হায়রগা লাইবক থীবনি হায়না হায়জবা তারে।

লোইশঙ অমদা মথৌ তাবা থবক অমগী চৎলুরসু হেন্দসেক মথৌ হেক্তা তারকপা য়াওরি। লমদম অসিনা হেন্দসেক পামজবসি মতা অমনি। য়াম্না থম্মোয় শেংনা লায়না অমা ওইনা নোংমগী শেল খরা মীঙোন্দগী নিহৌদ্রবদি হিংবগী ৱাহম্থোক লৈত্রবা ময়াম অমসু থেংনরি। চৎন-কাঙলোন য়াম্না চুম্না চুম্না শেল চাজনীংবা চাজনীংলবী ময়াম অমসু লৈরি। মী হায়বসি মখল মখলনি। মী হেক উবগা শেল হেক্তা নিগনবা, নিবগী হৈনবী লাইচুম্রবা পুল্লিবা টাইগী মগুন ঙাক্তবা ইরৈচা ময়াম অমসু থোরক্লে। অনৌবা জেনরেসন ওইনা। মখোয়গী খোঞ্জেল তাবদা ফুরিৎখাওদা য়াওরিবা চামঙা চৎপী ময়াম্না মপান থোরক্লিংদুনা ফুরিৎখাও মনুংদা রৌ, কটলানা ঈন মনুংদা ফিদ্রিং ফিদ্রিং চোঙবদৌনা হেক্তা তৌবনি। খুন্নাই অসি নিগল্লোয় ময়াম অমনা হেক্তা খ্বাং কোয়রে। নুংশিজরবা অঙাংশিংনগা য়ূমথোং খুদিং খুদিং চঙলগা শেল নিবা অদুগা লম্বীদগসু থৌরি থৎপদো নুংশিবনিদা। লৈশাবী মচা মশক ফজ-ফজবীশিংনগা থৌরিনগা থৎপদো নুংঙাইবনিদা। লৈশাবী মচা নত্তবা অঙাং নৎত্রবশিংনা লম্বীদা শেল খায়রম্বা অসি ঐদি বি পি পোকখায়রো হায়বা শাপ নত্তনা শেলদি পীনীংদ্রেবো নোরোক তাখ্রগে।

মোরে লম্বী চৎলসু, দিমাপুর লম্বী চৎলসু নিগনবদি ৱাত্তে। মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অসিদা য়াওরিবা 'নি' হায়বা ময়েক অসিনা ঐখোয়সে নিগল্লে হায়বা তাক্লবরা? নিফম মশীং হন্থহনগনি হায়নফাওবা লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে, অদুবু হৌজিক্লদুম নিফম মশীং হেনগৎলব্রা অসিনি। ঐনা থওইনা খ্বাইরম্বন্দদগী তরা চৎপী কায়থোক্লগা লাকচবদা নিরক্তবা নুমিৎসু য়াওদবসু নত্তে তৌবগীদি। নোংমতা ঐঙোন্দা পীবিরবদি য়াওদে নিরবগী শরুক্তা ওই। ইশাগী চহী ৭০ হেল্লক্লবা অসিফাওবা নোংমতা পীরবা থেংনদ্রি।

নিবগী চৎনবী অসি করম্বা ইপা ইপু হাক্তক্তগী চৎনরক্লমগদগে হায়বসি হিষ্টোরিয়নশিংনা থিগৎপীবা/রিছার্স তৌবীবা য়াগদ্রা? খম্বা থোইবীগী হাক্তকফাওদি লৈরব্রা নিবগী চৎনবী অসিবু? অদুনদি ঐখোয়গী লোলগৈদা নিবা হায়বসি য়াওরকপা কয়াম কইরম্লনি অমুক্তা থিগৎসি। মণিপুরদদি মসি য়াম্না মরুনি।

লীলাদা শেৎনবা মানবা পুলিসকী দ্রেস অদু শেৎচিল্লগা পুলিস শাজিন্নরগা শেল নিরম্বা এস আই শাবা মী অমসু ফানবা য়াওনখ্রে। অঙকপা পাউনি। মদু তাবদা পাউচে হঞ্জিন হঞ্জিন পাদুনা ঐ য়াম্না নোকখি। নোকপা মরাং কায়দবা মণিপুরদা। মসিদনি ঐনা মণিপুরদা ঙাওজরিসি, নুংঙাইজরিসি। পুলিস শারগদি শেল নিবা য়ারগনি হায়না খল্লক্লিবা অসিগী মনুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদু করিনো? অদুম্বা নাতৈ চাদবা মীশিং অদু ফাগৎখিবা ঙমখিবা অদুমক অতাঙবা থৌদোক অমনি।

পলাদা থানবা শেল কাইথোক্তুনা থম্বা অদুগুম্না নোংমগী ওইনা তরা চৎপী কুন কুন্থাদি অদুম কাইথোক্তুনা লম্বীদা চৎপদা পুদবা য়ারক্তবগী ফীভম লাক্লে। মোরেরোমদগী হল্লকপা মতমদা পলাদা তরা চৎপী থাবদৌনা থারম্বা অদুমক নুংঙাইজে মীওইবগী সেবা তৌরে খন্দুনা। সেবানি সেবানি। ●

# প্রোফেসনেল পেত্রিওটস য়াম্বা

### নবকুমার ওইনা

লমদমসিদা লৈবাক্কী থৌগায় পুবা য়াওগে হায়বসি শেল পুথোক্লগা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম শিনগে হায়বা ওইনা লৌনবা ঙমদে। শেল চঙনা শেল পুথোক্লগা ভোট কারগা শেল হঞ্জিন্নবা শেল চাগে, শেল চাগে হায়বা ওইনা লৌনৈ। শেন্দানগীদমক শিনফম নায়রবা, মশানসু শিনফম ওইরবনি খঞ্জরবা ময়াম অমা লৈরে। শিনফম ওনবা হায়বদুনি, থিকাদারদগী, ডোক্তরদগী, এঞ্জিনিয়রদগী, ওজাদগী, পুলিসতগী, আই এ এসতগী পাৱর পাম্বদগী শেল পায়রগা শিনবা পাম্বদগী এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরগা লৈবাক নীংবা, পেত্রিওট ওইনরক্লি। মীংচৎকীনি হায়বসি চুনবা ৱাৎলি, লন-থুম, পাৱরগীনি হায়বনা চপ চায়। অন্দর ত্রেনিংদা লৈবা ময়াম অমসু য়াওরিবনি, পেত্রিওটস ত্রেনিং সেন্টর ওইরে।

থবক অমা তৌবা হায়বসিদা থবক্তুগী লৌশিং চংই। অকক্লনা শিনফম অদুদা হৈ-শিংলবা মীওই অমা ওইরকপা হায়বনি। ভোট লেপ্লবদি কাবসু হৈবা তারকপদুনি। মতাং অদুদদি মীয়াম্না য়ানবা পৈশা য়েন্নরকইবসিনি, মদু ঙম্নবা শেল চানরকইবনি। মদোমদা চৎখিবদগী থবক অয়াম্বদা থাক হন্থরকপা, থোং তেকপা, লম্বী কায়বা, স্কুল কিন্থবা, শঙ তেকপা য়াওবদগী হেন্দোক্তুনা এম সী এস হন্দোক্নরক্লিবনি। শেল পাল্লবদি পরিক্ষা তৌবা হৈরক্ত্রিবনি, ইকায়বা হৈরক্ত্রিবসিনি।

শেল চাবশিংনা লৈবাক নীংবা পেত্রিওট শারগা ঙাঙবসি তাবদদি অদুম মাল্লি হায়বা য়ারে। লৈবাক অদুনা করম্বনো হায়বা খঙদ্রবদি কমদৌবা? মতম অদুদা লৈবাক নুংশিবনি হায়বদুবু চুমগদৌরিব্রা হায়বা। লূপ ময়াম অমনা লৈবাক নীংবগা মিনিষ্টরশিংনা লৈবাক নীংবগা মান্নদবদগী হেক হেক য়েৎনরক্লিবসি লৈবাক্তু ময়েক শেংদবগীরা, লৈবাক খূৎনীংদু মান্নরক্তবগীরা অমদি শোয়দনা ওইগনি। "টু লবস হিজ ওর হার ওন কন্ত্রি, ষ্ট্রোংলি সপোর্টস ওর ফাইট ফোর দি কন্ত্রি' হায়বদা মান্নরক্তবা হায়বসি মহৌশানি। লৌশিংদু লৈনা লৈনা ঐগী লৈবাক্তু করম্বনো খঙদনা ঐনা কমদৌনা ইরৈবাক্তু নুংশিগদৌরিবা। হেক্তা হংনরসিনে:- কংলৈবাক্তুরা, মৈত্রপাক্তুরা, মণিপুরসিরা, ইন্দিয়ারা, ভারতলা, এসিয়া অসিরা, মালেমসিরা অমা খল্লো। লোয়নমক নুংশিবদুরা, মীখক নুংশিবদুরা? নুপীখক নুংশিবদুরা, নুপাখক নুংশিবদুরা, অঙাংখক নুংশিবদুরা, অহলখক নুংশিবদুরা, দিসএবলশিং নুংশিবদুরা, লৈশাবীশিং নুংশিবদুরা, পাখঙশিং নুংশিবদুরা, ইশাগী নুপী/নুপা নুংশিনবদুরা, ইচাখক নুংশিবদুরা, ইপা-ইপুখক নুংশিবদুরা, ইনাও অমা-ইয়াম্বা অমা নুংশিবদুরা, অতোনবী নুংশিবদুরা? লাই নুংশিবদুরা? লৈকায়খক নুংশিবদুরা, ফুরুপখক নুংশিবদুরা?

লৈবাক অমা নুংশিবা হায়বসি লৈরিবা ফীভম অদুদা হিংবা ঙম্নবা লান হায়বসিদা নাপল কাবদুনদি য়ারোই, শিখাং খাংবনসু য়ারোই, লফু কাবনসু য়ারোই, নোংমৈ পায়রবসু য়ারোই, লৌ উবনসু য়ারোই, ঙা-য়েন য়োকপনসু য়ারোই, শা-ষণ য়োকপনসু য়ারোই, শেল চাবনসু য়ারোই, শঙ-শঙদুনা ঙাঙবনসু য়ারোই। থিকাগী য়ূম শাবদনা বিলাটিমাটি হাপ্তুবা, ৱাদনা শেল ফংনবা লৌবুক্তনা হার পংহাপ্তা হাপচিনবা, তীল-হীদাক পংচায়দা চায়শিনবা অসিনা লৈবাক নুংশিবা শাবা য়াবা নত্তে। শোরাত্তা শেল পংথাদা থাবা অদুনা লৈবাক নুংশিবা কৌবা য়াবা নত্তে, মালেমদা তৌনদবা থবকনি, শিখ্রিবদু নুংশিবা উৎপনি হায়বসু য়ারোই। অপংবগী নাপলনি হায়গনি।

য়ারোই হায়বদি হায়রে, য়াগদৌবদুদি খঙবা নৎত্রি। ঈশৈ শকপনকাক লৈবাক নীংবনি হায়বগী ৱাদুমা হৌখিবা কুইরে। বোক্সিং থিন্নবা, বোল কাওনবা ফাওবা লৈবাক নীংবনি হায়নরক্কদৌরি। রেষ্টুরেন্টতা চংবদুসু লৈবাক নীংবা চিংগদৌরি, ফাবা লাকপদুনা লৈবাক নীংবা শাবদি য়ারগা লৈবাক নীংদবা মীবু লৈরোইদৌরি; সমুদ্রা মপান্দা তুরেল মপান্দা ফি শেৎপোই-শেত্তবোই মতম লেনবা মী ময়াম লৈবা মফম ময়াম লৈ। অদুম্বা য়াইগা-য়াদেগা পঙলাওদা লাওবা মীসু ময়াম লৈ। পাম্বা পামদবনা অমনি, য়াইগা-য়াদেগা পংলাওদা লাওবসিবু লৈবাক নীংবা চিংব্রা? ফজৈ গা-ফজদেগা পংখঙদা খঙবসু লৈবাক নীংবা চিংগদৌরিব্রা? নিংথৌ মাল্লকপা, মপু মাল্লকপদুনি।

লীলা তৌরিবসিসু লৈবাক নীংবনি হায়নরে, ফিল্ম য়াওবসু লৈবাক নীংবা তারক্লবনি। পেনা খোংবা, তৌদ্রি খোংবা, বাশোক শকপা, পুং য়ৈবা, বেন পার্টি লোয়নমক লৈবাক নীংবা ঙাক্তা ঙায়রক্লে। রিক্সো থৌবসু, গাড়ী দ্রাইভরসু, হেন্দিমেনসু লৈবাক নীংবগীদমক উখোঙ-ৱাখোঙদা য়ারেক্তুনা চৎলি, শিবসু য়াওরি। হাৎপা তুপ্পা, পোৎ মুল্লিবা, শেল লৌরিবশিংদুসু লৈবাক নীংবনি হায়রিবসিনি। মদু চুম্মী হায়না লাইফাও ফাওরিবশিংসু লৈবাক নীংলিবনি। শেল পীরিবশিংদুসু লৈবাক নীংলিবনি।

সেক্রেটরিয়েত্তা মিনিষ্টরনা, ওফিসরনা শেল চাই হায়বদি য়ারগা লম্বীদা পুলিসনা শেল চাবদি করিগী য়ারোই। মদু য়াবদুনবু লম্বীদা শেল খায়বা ময়াম হিংবা ঙল্লিবনি। শেল চাবনা শেল চাবা ফাবা ঙম্নদ্রি। শেল চাবসিবু লৈবাক নীংবা কৌবা য়াব্রা? ভোটতা শেল লৌরিবসিনা লৈবাক নীংবা কৌরবদি শেল পীজরগা থবক তৌহল্লিবদুসু শেল পীজরগা লৈবাক নীংবা য়াওহল্লিবনিনে।

য়ারগদি লৈবাকসি নীংবীরনু, নীংবীবা য়াম্বদগী লৈবাকসি মুৎলবনি, নুপী ময়াম অমা নুংশিবীবদগী শিনরিবসিগা মান্নরক্লি। লৈবাক করম্বনো খঙদনা কমদৌনা কনানা লৈবাক নুংশিবনি হায়বা য়াগদৌরিবনো? মিনিষ্টর কনানা লৈবাক নুংশিবনি হায়বা য়াগদৌরিবনো? মিনিষ্টর ওইরগা হেক্তা লৈবাক নুংশিরবনি হায়বা য়ারব্রা? লল্লোনবা হৈরগা লৈবাক নুংশিবনি হায়বা য়ারবদি লল্লোল্লগা শেল তানবা লাক্লিবা মীতোপশিং অসিনা লৈবাকসি নুংশিবা হেল্লি হায়বা তারকপদুনি। লল্লোনবদা মীনম্বদি য়াবগা লৈবাক নীংবদা মীনম্নবা কৈদৌবগে? নোংমৈ পায়রগা হেক্তা লৈবাক নীংবনি হায়বা য়াব্রা, নোংমৈ হুরানবা য়াওনরিবসিদি। নোংমৈ হুরানবগা ষণ হুরানবগা ইমান মান্নে, অঙাং হুরাল্লগা (ফারগা) শেল তান্নরিসি, মী ফারগা শেল লৌবা চৎনবীসিগা ইমান-মান্নে। নেসনেলিজম হুরান্নরক্লি, চে অমা ইশিল্লগা লৈবাক লৌশিল্লে হায়বা য়ানরক্লি। লৈবাক হোংলবনি লৈবাক নীংবদসু লৈবাক্তু হোংবা তারক্লি। দিল্লিদা হোংবা, পোরবন্দরদা হোংবা য়াওবা মাল্লক্লি। ষণ অমা হুরাল্লগা লৈকায় অমা চামিন্নবা, নোংমৈ পায়রগা লম্বীদগী শেল খায়গৎলগা খুন অমা কান্নমিন্নবা, ভোট কারগা লমদম অমা শেমগৎমিন্নবা ময়ামসি ইমান মান্নবা ৱাদুনি। কোয়চৎ চৎলগা খোংবান শেংবা, প্লাষ্টিক বোট্টল খোম্বা, নূং খরা চায়রগা লম্বী শেম্বসিনা লৈবাক নীংবনি হায়বনিনা কোয়চৎ চৎলগা মো-মো য়োনবা, চৌ-চৌ য়োনবসিসু লৈবাক নীংবনি হায়বা য়ারনি, লল্লোনবা ঙাক্তনি। মোইদাদুদি 'খোয়শ্বাইগী নত্তে।

কোয়চৎ চৎলগা মিতম খিন্নরক্লিবসি লৈবাক নীংবগীনি হায়গদৌরিব্রা? মীতম খিন্নদ্রিঙৈদদি লৈবাক নীংনরমদব্রা? মীতম খিনবদু ইশা-ইশাগী খিন্নদ্রিবা করিগী, মখাদা মিং ইনরিবদুনা পেন্নরিবা করিগীনো? মীতম য়েংমিন্নরিবা ময়ামসি নুংশিনরি হায়বা য়ারবরা? লৈবাক নীংবা মীবু থাগৎলগা লৈবাক নীংবা মী শাবা য়াব্রা? চেঙ য়েল্লগা লৈবাক নীংবা শাবা, কম্বল য়েল্লগা লৈবাক নীংবা শাবা, গ্যাস য়েল্লগা লৈবাক নীংবা শাবা, সাইকল থৌরগা লৈবাক নীংবা শাবা অসুম চথবা তারবদি লৈবাক্তু মুৎকদৌবা কুইদ্রবনি হায়নরকপসু য়াওরি। হুরানবগী থবক ময়ামসি লৈবাক মুত্থরকপগী খুদমনি।

শেল পায়দ্রবদি হিংবসি য়াম্না ৱানরি। ষণ হুরানফম লৈরক্তবদগী গাড়ী ওইনা হুরান্নরক্লিবনি। হুরান্নদ্রবদি ভোট কাবা ঙম্নদবদগী হুরান-হুরান ভোট খোম্নরক্লিবনি, শেল য়েন্নরিবনি। শেল পায়নবা দ্রগ লল্লোনবা য়াওনরি, ফার-ফারগা দ্রগ অমসুং সনা লল্লোনবা হেনগৎলকপা উনরি। হিংদবা য়াদবগী পোত্থাং পুবা য়াওবনি হায়রি। শিদনবা হিংবদুনা য়ারক্তবগী খুদমদুনি। নিরগা চাবা য়াবা, খায়রগা চাবা য়াবা, হুরাল্লগা চাবা য়াবা লমদমসিদবু কনানা চরা হেনবা য়াওরবগে? লীলা-দ্রামাদা পংহাপ হাপচিনবগী ৱানি, কৈথেলদা থোক্তবগী ৱানি। য়ূমদগী চথোক্তবী, নুপী অঙাংদা চগৎ-চগৎ ঙাঙলগা লৈবনা শেল পায়বা হৌনদে, লৈবাক নীংবা শাবা য়াবা হৌনদে।

শেল তান্দনা শেল য়েনবা ঙম্বা হৌনদে, শেল তানফম পূম্নমক লোইনা হায়দোকপা য়াবা নত্তে, খঙদবশিংসি পংবা য়াওদে হায়বা য়াবা নত্তে। শেল য়েনবদা লৌরিবসিসু পংবগী তারক্কদৌরিবনি। শেল চাদে-চাদে হায়রম্লগা সী বি আই চংবা য়াওনরক্লিবসি অপংবা তারকইবনি। ইকায়দবদুদি পংবগী নত্তে, খঙদবগী ওইগনি খল্লি। ইকায়ববু হৌদোং মচামুক চাউনা চৎপা উবা নত্তে, খোংবান অমা শেংলগা কোকপা পোৎনি, অদুগীনি খোংবান শেংনরিসি। অমরা অমরা তন্দবা অমদি চংই, লৈবাক নীংবসি তন্দবা চংই।

লৈবাক অমা হিংবা হায়বসি তন্দবা মী খরা চংই, লৈবাক্তু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা মী খরা তঙাইফদনা য়াওদবা য়াদবনি। তন্দবগী হায়বদি চেবোন (বোক্স) অমনবা কোয়খোম খোম্বা, য়োত্তেক খোম্বা মী ময়াম উরিবসিনি। মখোয়গুম্বা লৈজদবা ফুরুপকী লৈবাক লৈবা হৌনদে। লৈবাক্কী, মীয়ামগী থবক শূনীংদবশিংনা লৈবাক নুংশি হায়বা য়াবা নত্তে। অদুগুম্বা মীশক্তু লৈরে খঙনবা মিনিষ্টরনা শুমজিৎ পায়বগী ফোটো কাপ্পগা থেৎনরিবনি। লৈবাক অমা হায়বসি মী মখল ৱাৎপা য়াবা নত্তে। 'মোইরাং শা' হায়রিবসি মথৌনা লৈবদা মথক্তা শেম্বাং পাইবা য়াদে হায়নরিবনি। অদুগীনি ৱা খরা মখোয়গী মথক্তা ঙাঙবগা থোক-থোক ফাজিল্লগা থম্নরিবসি জেলদনি। থৌনা লৈবগীনি শিদোকপীগে হায়নরিবসি।

তৌগদৌবদি ঙাঙনরিবসিদা অমত্তবু য়াওদ্রি। হোংকোংদগী হৌরগা সিরিয়া ফাওবদা লাংলিবা, হাৎনরিবা ময়ামসি শেল চারগা, শেল য়েল্লগা ভোট কানরিবা অসিফাওবগা নক্লবা নৎত্রি। শেলনা চাওখৎপা য়ারক্তবগী খুদমনি হায়বা য়ারক্লিবনি। "টু লবস ৱান্স কন্ত্রি ইজ নোট এ সাইন ওফ সিভিলাইজেসন' হায়বসিগা পেত্রোটিজমগা কন্ত্রাস লাকই হায়বনি। থায়নগী লৈবাক খূৎনীং অদুনা অনৌবা লৈবাক অমা শেমগৎপা ঙল্লরোই হায়বনি। কাপ্পরিবা নোংমৈ, রোকেট, মিসাইল ময়ামসিনা য়ানরক্ত্রবনি। লান অমগী মশক মান্নবতনি, মদুনা ৱারোইশিন পুরকপদি ঙমদ্রবনি। লুচিংবশিংনা কোয়চৎ চৎনরিবসি নোংমৈ পুরগা চৎপা নৎত্রবনি। য়ুনাইটেদশিংগী দাসলোগ, ত্রাইলোগ কয়া মায় পাকপা ঙম্নদনা লৈবসু য়াওরি, হোৎনবদি লেপ্পা নত্তে। নোংমৈগী লান নত্তে, কোক্কী লাননি, লৌশিংগী লাননি, চাওখৎপগী লাননি, মালেম পূম্বগী লাননি। মীপূম খুদিংমক অফবা চিঞ্জাক চাবা ফংনবা, অশেংবা নুংশিৎ ফংনবা লাননি। হান্নগী মৈখু কাবা লান্দু লাল্লে হায়বনি।

হীরম অসিদা পেত্রিওটশিংনা প্রোফেস্নেল ওইবা ঙল্লকপা-ঙল্লক্তবা য়েংখিবা তারি, ঙায়খিবা তারি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।